ৱাইল্ডলাইফ ৱিক থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৬৫শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱিক ২০২০গী থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে।

সঞ্জেন্থোংদা লৈবা ফোরেষ্ট হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ৱাইল্ডলাইফ ৱিক্কা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনশিংদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদসু ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা মনা-মথুম য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা ফোরেষ্টকী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর কে অঙ্গামি, এদিসনল পি সী সী এফ এল বাইতে, ডা. এ কে জোসি অমদি সী এম'স গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর এলাংবম ভেলেন্টিনাসু শরুক য়াখি।

মিনিষ্টর রাজেননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ককচিং অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং এদ্যুকেসন, ফিশরি অমসুং কাদাগী মিনিষ্টর এস রাজেননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন-খোঙচৎ অসিদা মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অদুনা লাংমৈদোংদা ফিশরি দিপার্টমেন্টনা চলাইরিবা ফিশরি ফার্ম অমদি ফিশরি য়ুনিট য়েংশিনখি। মসিদসু নত্তনা কাদাগী ওফিসলশিংগা লোয়ননা ইরিগেসন কেনেলশিংগী ফীভমসু য়েংশিনখি। লোয়ননা সাউথ ইষ্টর্ন মণিপুর কোলেজ, কোম্লাথাবীদসু চৎতুনা টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংগা ইন্টরেক্সন তৌখি।

অমরোমদা, এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ককচিং খুনৌ কোলেজগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা কোলেজ অসিদা পাঙথোকখি।

এ আই টি য়ু সীগী ১০০ শুবা কুমওন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী য়াম্না লীরবা ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী) কী লাক্লিবা ওক্তোবর ৩০ অসিদা চহী ১০০ মপুং ফারক্লে। মরম অদুনা এ আই টি য়ু সীগী চহী ১০০ শুবা মপোক কুমলন পাঙথোক্লগনি হায়না এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

'দি রাস লীলাস ওফ মণিপুর' ইনভাইট তৌরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : টোকিয়োদা পাঙথোক্কদবা য়ামাগতা ইন্টরনেসনল দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা উৎনবগীদমক্তা 'দি রাস লীলাস ওফ মণিপুর' হায়বা ইংলিস সব-টাইটল তৌবা অরিবম শ্যাম শর্ম্মানা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অসিবু ইনভাইট তৌরক্লে।

চহী অসিগী ওইনদি কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক্লা মরম ওইদুনা ফেষ্টিভেল অসি জপানগী ভিয়ুৱরশিংগীদমক্তা ওনলাইন ষ্ট্রিমিং সর্ভিস অমা ওইনা শীন-লাংলি। নবেম্বর ৭ তগীনা দিসেম্বর ১২ ফাওবা চত্থগদবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিনা জপানগী মীয়াম্বু নোর্থ ইন্দিয়াগী মরমদা খঙবদা মতেং ওইরগনি হায়রি।

GAS NEWS

M/S RAND H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking 22/07/2020
Valid From 07/07/2020
Stock : 306
Booking After 5Days Booking toubigadaba no.(8132036940)
Timing : 8.00am to 12.00noon
Home Dellivery contact nos. 9366013547/8414824977/ 8413936705

TANGLEI GAS OINAM
Booking upto : 04/09/2020
Valid from : 02/09/2020
Stock : 306
Time : 7.00am to 10.00am

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 03/08/2020
Valid from : 02/08/2020
Only home del.
Cont. No. 7005934398. 7629076494. 8787330040.
Whatsapp No. 9366502930.
Office No. 6381538861, Enquiry No.7085557686
Timing : 7.00am to 11.00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 01/09/2020
Valid from : 31/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

ককচিংগী নোংচুপ থংবা চীঙ্গোলবু অতোপ্পা মমিং ওনবা য়ারোই : কে কে সী এল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ককচিংগী নোংচুপ থংবদা লৈরিবা চীঙ্গোল অসিবু রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া ওইহন্নবা অমদি থাংজিং কোইরেল লাইশঙ শাননবা থৌরাং তৌরকপদা মন্তক ভিলেজ ওথোরিটিনা চীংশাং অসিবু থাংপিলোন থোনজিন্দুনা মীয়ামদা চমম্লবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি অমদি ৱাখল খন্থদবা মানবা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরিবা মরী থদৎনবা মানবা ৱাফম কয়া অসি খুন্নাই কনবা চাওখৎ লূপ (কে কে সী এল)না অঙকপা ফাওই হায়না কে কে সী এলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, হীরম অসিদা মন্তক ভিলেজ ওথোরিটিনা ককচিং ৱাইরিগী আই ৱাই এ ক্লব খক্তবু অকক্লবা পন্দুনা ক্লব অসিবু মিংচৎ থীনবা হোৎনরিবসি মখা তানা তৌবিগনু। মন্তক ভিলেজ অসি লোকেসন কোদ নম্বর ২৬৯৯৯০ গী মখাদা ভিলেজ অসিগী লম হেক্তর ১১০ লোম হান্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অদুগা হৌজিক্লা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা লৈরিবনি। মন্তক খুল অসি চহী ৭ খুন্তাকপা থোকখ্রবা মতুংদা পুরুম খুল্লেনদগী হোংগৎলক্তুনা ইহান হান্না ককচিং সাবল লমজাও হৌজিক্লা ককচিং ৱাইরি সাবল লৈকাইদা খুন্দারম্বনি। মফম অসিদা ইবুধৌ নোংশাবা অমদি থাংজিং কোইরেল লাক্তুনা ঈংনা-চিক্লা খুন্দারল্লবা মতুংদা য়ুমলৈ-কৈরৈ, চাকচা-য়ুথক খেন্নবা অমদি ইপিদেমিক ঈশিং পুকচৎনা মরম ওইনা ক্লারোক মরিংনা খুন্দারম্বা মফম হৌজিক্লা মন্তক খুঞ্জাও হায়না খঙনরিবা মফম অসিদা ক্লারোক চীফতা হায়জদুনা খুন্দাখিবনি। ক্লারোক মরিংনা খুল থাদোক্তুনা চৎখিবদগী মন্তক খুল ওইনা কোম কাঙলুপশিংনা খুন্দাখিবনি। মতমগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৬১ গী মীকোক থীবদা ২৭৫, কুমজা ১৯৭১ দনা৩৭৬, কুমজা ১৯৮১ দনা ৪৩৫, কুমজা ১৯৯১ দনা ৫৫২, কুমজা ২০০১ দনা ৬৫২ অদুগা কুমজা ২০১১ দনা ৭২০ লৈদুনা মণিপুরদা কোম ফুরুপনা খুন্দাবা ভিলেজ ৫৪গী মনুংদা অচৌবা খুল অমা ওইনা লৈরকপনি।

মতম অমদা খৃষ্টান লাইনিং চৎত্রিঙৈদা লাইগী থবক থৌরমশিংদা মৈতৈগা মান্ননা য়ুম চঙবা, শা-হোংবা, লুহোংবা, পুখ্রি হোংবনচিংবা তৌরম্মী হায়বসি নীংশিংবা চুমগনি। মতম অমদা লাৎনরম্বা ইবুধৌ নোংশাবগী খুভম হৌজিক ফাওবা খন্দুদা লৈরিবনি হায়বসি কাওবিদনবা কে কে সী এলনা অপিল তৌজরি। ক্লাকনা ৱাহোং মতু থেৎলবসু ৱাহোং ওইবা ওইথোক্লরোইদবনি। হৌজিক-হৌজিক খুন্দারিবা মাংতে, কারুং, সের্তো, লৈভোনচিংবা অসি কোম ওইনা অদুম লৈবিয়ু। ঈগী হৌরকফম, খুলগী হৌরকফম মশক খঙমিন্নসি। ষ্টেটগী লম ওইরিবা মফমশিংদা মতম-মতমগী চাওখৎ-থৌরাং তৌবদা অমনা অমদা অকায়বা পীদনবা, ঐগী মীগী লমনি হায়বা অপীকপা ৱাখল্লোন অদু থাদোক্লদুনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নসি হায়না কে কে সী এলনা অপিল তৌজরি। য়ুম লৈজদবা মীতোপ মীয়ানচা ময়াম পুশিল্লক্লগা মী য়াম্লগা খুন চাওরগা ককচিংগী ইপা-ইপুশিংনা মনিং চীং নৎত্রগা মন্তক চীঙ্গোল হায়না খঙনরিবা চীংগোল অসিবু থাংপিলোন ওন্থোক্তুনা চীংগী লম খুদিংমক মন্তকনি হায়রবদি মদু অপীকপা ৱাখল্লোন তাগনিহায়না কে কে সী এলগী চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

কন্সল্টেটিভ ইন্টরেক্সন পাঙথোক্তুনা ৱারেপ ৩ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট বিত্বিন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, এন এস সী এন-আই এম এন্দ অদর নাগা ওর্গনাইজেসন্স হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা কন্সল্টেটিভ ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ ৩ লৌখ্রে।

ৱারেপশিং অদুদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এন এস সী এন-আই এম অমসুং অতোপ্পা নাগা ওর্গনাইজেসনশিংগা ৱারোইশিন অমা পুরকপদা এম পি সী সীনা তরাম্না ওকপা, অদুমকপু ৱারোইশিন অদুনা মণিপুরগী টেরিটোরিএল, কলচরেল, সোসল, ফাইনান্সিএল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইন্টিগ্রিটিদা দিষ্টর্ব তৌরোইদবনি। লোয়ননা ফাইনেল সেট্টলমেন্ট পুরত্তিগ্র ঙৈগী মাঙওইননা মণিপুর ষ্টেকহোল্ডর খুদিংমক তান্নরমগদবনি হায়বসিনি।

এম এল এ জয়কিষননা মিসেলিনস...

লামায় ১গী মখা... অদুম ওইনমক কোর্টনা মহাক্কী মিসেলিনস কেসতা প্রেয়র তৌরক্লিবা ৱাফম অসি ঙসিমক্তি লৌখৎতুনা মসিগী মতাংদা খন্নখিদে। অদুবু অনৌবা প্রেয়র অসি খন্ননবা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংগা খন্নরগা থা অসিগী ১২ দা লৌখৎতুনা খন্ননবগীদমক নুমীৎসিদা অমুক হন্না ফিক্স তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, ইলেক্সন পিটিসন অসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিস্পোজ তৌবীদ্রে হায়দুনা পিটিসনর জোটিন ৱাইখোমনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎলুবনি। মসিদা সুপ্রীম কোর্টনা মেট্টর অসি থা ২গী মনুংদা দিস্পোজ তৌননবা হায়কোর্টতা দিরেক্সন পীরকখিবনি।

বৃন্দানা ফাইল তৌরকপা ক্রিমিনেল পিটিসনগী...

লামায় ১গী মখা... কাউন্টর/ওবজেক্সন নৎত্রগা এফিদেবিটশিং ফাইল তৌরক্লবগী লিবর্টি কোর্টনা পীখি।

পিটিসনরগী পিটিসন অসি চহী খরগী মমাঙদা মরী লৈনবা পুলিসকী রিপোর্টতগী ক্লোজ তৌশিনখ্রবা কেস অমবু পুলিসনা নৌহৌননা রিভাইভ তৌজগে হায়জরকখিবদা অয়াবা পীখিবা সবোর্দিনেট কোর্ট অমগী ওর্দরবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবনি।

লৈখিদবা মশিং ৩ হেনগৎলক্তুনা...

লামায় ১গী মখা... লায়না-লাইচৎ অসিনা নারম্বদগী ফগৎক্লবা মীওই ১৪৭সু ঙসি দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি সী এ পি এফকী ২৮, হোম আইসোলেসন্দা লৈরকখিবা ৮, লমদিংদগী ১, নোনেদগী ১৮, পি ঐচ সী হাওচোংদগী ২, য়ুনাক্কোদগী ২১, সাদভাবনা মান্দপতগী ১৩, লম্বোই খোংনাংখোংদগী ৪১, আর দি ৱিংদগী ২, তেংনৌপলদগী ৩, টি কে উখুলদগী ৩, সী সী সী থৌবালদগী ৫, সেনাপতিদগী ১ অমসুং কাংপোকপীদগী অমনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

এম পি এস ওফিসর ১ ক্রোশ...

লামায় ১গী মখা... ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। লোয়ননা কেস অসিগী চার্জশীট জুলাই ২৭, ২০১৩ দা মরী লৈনবা কোর্টতা সবমিসন তৌখি। মসিগী মখা তারকপদনা কেস অসিগী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগী কেস রেকোর্দশিং সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা খুৎশিন্নখি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

হান্নদগী চত্থরকখিবা পি দব্লিয়ু অসিগী ক্রোশ এগজামিনেসনগী থবক ঙসি মপুং ফানা লোয়শিনখ্রবনা মহাকপু কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌখি। অদুম ওইনমক ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অসিনা কেস অসিগী মখা তানা ৱায়েল মথং থাগী ১২ দা পাঙথোক্লবা লেপখি।

প্রিপাক্কী ৪৩শুবা মপোক কুমওন...

লামায় ১গী মখা... য়াওল্লুপশিং লোয়ননা ইরৈচা খুদিংমকপু প্রিপাকনা অৱাংবা থাক্তা য়াওলগী ঈকায় খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি লিশাং শিৎনা চত্থরক্লিবা ইরৈবাক্কী লৈবাক লেপকদবা মীয়ামগী নীংতম য়াওল লান্থেং অসিগীদমক লেপ্পা লৈতনা ৱাখলগী, পাঙ্গলগী অমদি লৌশিংগী মতেং পীবীদুনা নীংতম য়াওল খুম্মাং চাউশিন্নবা হোৎনবীরিবা অমদি য়াওল ঈহৌ অসিবু থৱায় হাপ্পীরিবা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা নুংশি চান্ননা তৎন-থানবা য়াদবা লিপুন অমনা পুন্দুনা হিংমিন্নরিবা লমদমসিগী চাংমী-তম্মী ইচিল-ইনাও খুদিংমকপু নংতম য়াওলগী য়াইফ-পাউজেল পীজদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

অমরোমদা, প্রিপাককী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দানা লূপ অসিগী মপোক কুমওন থৌরম নুমীৎতা চহী খুদিংগী ওইনা পুথোকচবা 'কংলা শেমপুং' ভোল্যুম-৬, ৭০১ মোবাইল বট্টালিয়নদা পাঙথোকপা লূপ অসিগী ৪৩ শুবা মপোক কুমওনগী অচম্বা থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে হায়না প্রিপাক্কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা অতোপ্পা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হন্দক্কী 'কংলা শেমপুং' ভোল্যুম-৬ অসিদা মখাগী হীরমশিং অসি য়াওরি। হীরমশিং অদুদি এক্টিং চ্যেরমেননা ৪৩শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মীয়ামদা পীবা পাউজেল, এক্টিং চ্যেরমেননা ৪৩শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মীয়ামদা পীবা পাউজেল ইংলিস ইদিসন, এক্টিং চ্যেরমেননা ৪০শুবা আর এ দেদা মীয়ামদা পীবা পাউজেল, ইদিটোরিএল, ঈহৌগী খোঙচৎতা ওইচাবা-য়েৎচাবা, থৌগল্লোন কায়থরক্লবা মীতৈ খুন্নাই, কোন্সেপ্ট লিবরেলিজম (মনিং তৌহনবদা), সনামহী লাইনিং চৎপা নুপা নুপীশিংগী থৌদাং, রিপব্লিক অমগী প্রসিদেন্ট খনবগা লৈবাক অমগী নিংথৌ হাপ্পগা মান্নদে, অসামদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী খোল্লাও, নুপী লান-পোলিটিকেল পেরাদাইম এন্দ ইরাবত, ইরাবত- পোগোসে স্কুল অমসুং মাগী ঈহৌনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mutation Case No. 326 of 2020

Kshetrimayum Ongbi Bimola Devi W/o (L) Ksh. Raghu Singh of Pishum Ningom Leirak. -Applicant

-Vs-

(L) Kshetrimayum Raghu Singh S/o Ksh. Ibotombi Singh of Pishum.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Oinam, the 9th October 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুন নং ২৯-ইরেংবমগী পাট্টা নং ৪৪৬ (অনৌবা), দাগ নং ৩, এরিয়া ২.২৬ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি মাগী নুপীনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুং লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/7707/10

[illegible] **ADMISSION OPEN** [illegible]

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

(HL-B/6436/8/10-5/11 (alt

শ্যামকুমার অমসুং শুরচন্দ্রগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন

দিফেন্স আর্গ্যুমেন্টশিং লোয়শিনখ্রে, পিটিসনরগী মায়কৈদগী পাউখুমশিং পীরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী স্পিকরনা প্রেসাইদ তৌবা ট্রাইব্যুনেলনা টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা দিসক্কালিফাই তৌবদগী হৌজিক্কা এক্স-এম এল এশিং ওইরবা অন্দ্রো এ সীগী থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং ককচিং এ সীগী য়েঙ্খোম শুরচন্দ্রনা কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোকখিবা মীখলদা রির্টন কেন্দিদেটশিং ওইরকখিবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী দিফেন্স আর্গ্যুমেন্টশিং সবমিসন তৌবা লোয়শিনখ্রে।

অন্দ্রো এ সীগী এক্স-এম এল এগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসননা পিটিসনর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী নম্বর- ৪ ওফ ২০১৭ নি। অদুগা ককচিং এ সীগী এক্স-এম এল এগী মথক্তনা পিটিসনর ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর- ১ ওফ২০১৭ ফাইল তৌরকখিবনি। কেস অনীমক ঙসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী মথংশিংনা জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চশিংগী আইটেম নম্বর- ৪ অমসুং ১দা লিষ্ট তৌখি।

তোঙান-তোঙানবা বেঞ্চ অনীনা কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা হান্নদগী কেসশিং অসিগী ৱায়েলগী শরুক্তা চত্থদুনা লাকখিবা দিফেন্স কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগী মখোয়গী ওইবা সবমিসনশিং মখা তানা চত্থখি। লোয়ননা কেস অনীমক্কী হায়রিবা আর্গ্যুমেন্টশিং অসি ঙসিদি মপুং ফানা লোয়শিনবা ঙমখি।

কেস অসিদা রেস্পোান্দেন্টশিং ওইরিবা এক্স-এম এল এশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংগী মরুওইবা ৱায়েলগী শরুকশিং ওইরিবা দিফেন্স আর্গ্যুমেন্টশিং লোইশিনখিবদগী ইলেক্সন পিটিসন অনীগী পিটিসনরশিংগী মায়কৈদা লেপ্লক্লিবা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগী দিফেন্স আর্গ্যুমেন্টশিং অসিগা মরী লৈনবা পাউখুমশিং পীশিন্নবগী তাঞ্জা কোর্টতগী নীখি। মসিদা কোর্টনা হায়রিবা প্রেয়র অসিগীদমক ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী মায়কৈদগীনা থা অসিগী ১৩দা লেপ্লগা পিটিসনর এম রামেশ্বরগী মায়কৈদগীনা থা অসিগী ১২ দা সবমিট তৌরক্লবগী তাঞ্জা পীখি। মসিগীদমক কেসশিং অসি মথংশিংনা থা অসিগী ১৩ অমসুং ১২দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, এম রামেশ্বরনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন অসিগীদি এক্স-এম এল এ অসিনা মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর- ৭ ওফ ২০২০ অমদি ৮ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকপসু লৈরিবনি।

আই এ এস অমসুং এম সী এস ওফিসর...

*লামায় ১গী মখা...*এদ্যুকেসন (এস) অমসুং এদল্ট এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইনা, এম জয়না এগ্রিকলচর, আর্ট এন্দ কলচর, আই পি আর অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী সেক্রেটরি ওইনা, হুংয়োৱোর্সাংনা কামজেংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওইনা, হাওলিয়ানলাল গুইতেনা প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসন্নরিগী এদিসনল সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর লোক অয়ুক্তাগী সেক্রেটরি ওইনা, কেঙুজুরিংলানা কো-ওপরেটিভ সোসাইটিজগী রেজিষ্ট্রার অমসুং রুসাগী ও এস দি ওইনা, ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা ককচিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওইনা, অরাম্বম ভেলেন্টিনানা এদ্যুকেসন (য়ু)গী দিরেক্টর ওইনা, কিমজালহাই কিপগেননা দি পি, ফাইনান্স, আই টি অমসুং টুরিজমগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমদি ষ্টাফ ওফিসর টু চীফ সেক্রেটরি ওইনা অমসুং আর রং পিট্টরনা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, টি এ এন্দ হিলসকী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি।

ফম হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রবা এম সী এস ওফিসরশিং অদুগী মনুংদা মারসিনা আর পানমৈনা এম আই, ৱাটর রিছোর্সেস, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং ষ্টেট হেল্থ এজেন্সীগী সী ঈ ও ওইনা, লকিসন এন কসুংনা টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা, এ রোমিতানা প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসন্নরিগী দিরেক্টর ওইনা, এন জি ভোগেন্দ্র মৈতৈনা এম এ, ও বি সী এন্দ এস সীগী দিরেক্টর ইন-চার্জ অমসুং মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ওইনা, বিদ্যারানি অয়েকপমনা এদ্যুকেসন (এস) অমসুং দি পিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইনা, সোনিয়া ওইনামনা সোসল ৱেলফ্যের, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইনা, দরিয়ল জুলি অনালনা ট্রান্সপোর্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি, ও এস দি অমসুং টি এ এন্দ হিলসকী জোইন্ট দিরেক্টর ওইনা, সোইমিনলিয়ন লেংঙেননা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, টি এ এন্দ হিলসকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইনা, য়ুম্নাম সুরজনা দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নার অমসুং হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইনা, ডা. দেবিদ এলাংবমনা ট্রান্সপোর্ট অমসুং টুরিজমগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা, দাংমৈ মংলেমনা ট্রান্সপোর্টগী অন্দর সেক্রেটরি ওইনা, বিজানন্দ চবুংবমনা গ্রিভান্স সেলগী ও এস দি, এম এগী দেপ্যুটি দিরেক্টর অমসুং ও বি সী এন্দ এ সীগী অন্দর সেক্রেটরি ওইনা অমদি কোসোনি ফিমুনা ফিশরি, এম এ, এম আইগী অন্দর সেক্রেটরি ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Ref :- Mut. Case No. 538 of 2020

App:- Salam Jeoken Singh S/o (L) Bineshwor Singh of Serou.

-Vs-

Opp:- (Late) Salam Jatra Singh S/o Sangai Singh of Serou.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated 8th October, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী খুন নং ৯৪- সেরৌ পাট্টা নং ২০৯/৪৭০, দাগ নং ১২৬৫, এরিয়া ২.৯৭ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমীংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

HL-P/6448/10 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 816/AS & SO/Kak dt.21/09/2020

Mutum Shakhi Devi W/o M. Shanti Singh of Langmeidong Bazar Awang.

-Vs-

Mutum Shanti Singh S/o (L) Bajo Singh of -do- *-OPP*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 21-9-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিনা ককচীং তহশিল খুন নং ৭০ নুংঙু সনামহী পাট্টা নং 474/50/Pt (A) অনৌবা, দাগ নং ১৫৯২/Pt (A), এরিয়া ০.০৪ হেক্টর ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মুতুম শান্তি সিংহ পীং মৃ: বাজো সিংহ সাং লাংমৈদোং বজার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

HL-P/6447/10 Sd/-Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 405/AS&SO/TBL, dt: 28-09-2020

1) Thingujam Ibotombi Singh S/o Amujao Singh of Kiyam Makha Leikai. 2) Yumnam Mema Devi W/o (L) Manao Singh of Kiyam Mayai Leikai. *...Applicant.*

-Vs-

(Late) Yumnam Manao Singh S/o (L) Mani Singh of Kiyam *...Opp.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 08/09/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২- কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ৪৮, ৭৩৪, ৫৩৩ (অরিবা), ৮৮৭/১৬৫২ (অনৌবা), দাগ নং ১০৫০, এরিয়া ০.৩২৫০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিগী মাগী নুপী অমসুং ময়ানুপা মখোয় অনীগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লাক্তুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/7710/10

থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলদা লূপশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী থৌওংদা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি।

খেকমন মথক লৈকায় ৱিমেন্স ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল ইবেতোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌবাল খেকমনগী ইচে-ইচলশিং অমদি ইনাওশিংনা ঙা-চাক অমদি মনা-মশিং পুথোক্তুনা থৌবাল কৈথেলদা য়োল্লগা ফংলকপা শেলনা ইমুং-মনুং পুনরিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি হৌজিক হৌজিকমকসু পোৎফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা হুরান-লান্নাদা লোন্না দুকান অমদি ভেন্দর প্লোটশিং নারোন্দা এলোটমেন্ট পীথোকপসিদি য়াবা ঙম্লোই। মহুদকী মরী লৈনবা মীওইশিংনা হীরমসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। ওপন লোট্টরি পাঙথোক্লগা পোৎফম অমদি দুকান প্লোটশিং শীন্নবীয়ু। মসি তৌবীদ্রবদি থৌবাল অপূনবা লূপনা খোঙজংদা মপুং ফানা শৌগৎচগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌবাল কৈথেলগী ভেন্দর প্লোট অমদি টি এম সী সোপ্পিং কমপ্লেক্সকী সোপ পরম কায়না এলোটমেন্ট তৌখ্রে হায়বসি তাবদা নুংঙাইতবা ফাওই। ভেন্দর প্লোট অমদি দুকান প্লোটশিং অসি পরম চুম্না এলোট তৌননবা থবক লৌখৎকদবনি। মদু নৎত্রবদি থৌবাল অপূনবা লূপনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শৌগৎকনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

খেকমন য়ুথ ক্লবনসু থৌবাল ইমা কৈথেল অমদি সোরোক পাকচাউদা লৈরিবা অহাংবা দুকান অমদি ভেন্দর প্লোট অসি মীয়াম খঙনা ওপন লোট্টরি পাঙথোক্লগা এলোট তৌননবা থবকশিং লৌখৎকদবনি। করিগুম্বা থৌবাল ম্যুনিসিপাল ৱাফম অসি তাশিন্নদনা লৈরবদি থৌবাল অপূনবা লূপনা চঙশিল্লকপা খোঙজংনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

প্রিপাক্কী ৪৩শুবা মপোক কুমওন লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি...

ঙরাংগী মখা... মখোয়না মখোঙদা য়োহ্লিং থাংলবা, মখুৎ অনী তুংবুংন্নরবা, মচিন মেল্লবা, মীওইববু মপুং ফানা মনিং তল্লবনি হায়না ঠিওরি কয়া, ঈ-পাউ কয়া, সেমিনার কয়া, ওরাটোর কয়া পুথোকই। ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌগী লময়ানবা পুন্নমক বৃটিশ য়ুনিভর্সিটিশিংগী পোখোকনি। কংলৈপাক্তদি য়াম্না থেংনা কুমজা ১৯৮০ খক্তদা য়ুনিভর্সিটি লিংই। চহী কয়াগী মতুংদা ঙরাংদমক লো ফেকল্টি হাংই। ৱাহংদি য়ুনিভর্সিটি অসিনা কংলৈপাক্কী মীথোই-মীহেন শেন্থ্রা, মালেমগী থাক্কী ৱাখল্লোন নৎত্রগা মীৎয়েং পুথোকপা ঙম্লা হায়বসিনি। অদুবু মসি হৌজিকসু হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদবা ফীভমদা লৈরি। নেসন অমা হিংহনবা য়াবা রিছার্স ইনষ্টিট্যুট অমত্তা ঙসিসু লিংদ্রি। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না ফন্দামেন্টেল রিছার্স অমত্তা তৌবা ঙমদ্রি।

ইন্দিয়াগী নেসনেলিজমনা ইরমদমগী নাৎ, লোল, পুৱারীগী নেসনবু নমথদুনা করিগী থল্লিবনো হায়বা ৱাহং কয়া মালেমদা থোরকপদগী ইন্দিয়াগী নীংতম্লে হায়না শন্দোক্লিবা ৱাহন্থোক্তা অকনবা শাফু পীরক্লি। হায়রিবা ৱাহংসিমক য়ুরোপ, অমেরিকাদা পূক্লিং লৈতানা পাউখুম পীখ্রবা মতুংদা, হান্নগী সোভিয়েট য়ুনিয়নদা অমুক লাকখি। সোভিয়েট য়ুনিয়ন কুমজা ১৯৮৯-৯০ দা নেসনল কন্ট্রাদিক্সন ৩শুবা চহী চঙলকপদা লৈঙাক্লিবশিংনা কুমজা ১৯৯১ দা মনিংতম্বা লৈবাক ১৫ শেমদুনা নেসনল কন্ট্রাদিক্সন অদু লৈতাহনখি। মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা রেদ আর্মি- কে জি বি শীজিন্নরগা ইষ্টোনিয়াগী মীওই লাখ ১৫ দুদি অহিং অমখক্তদা মখোল থোকহন্দনা চরম মেৎলগা লোইশিল্লম্বা য়াবনি হায়না ইন্দিয়াগী কোলোনিএল স্কোলার, পাৱর ইলাইটশিংনা সোভিয়েটপু ঙসিসু করেম্নরি। সোভিয়েটকী ফুরুপকী নীংতম্বগী ৱাহন্থোক অদুগা, ইন্দিয়াগী ফুরুপকী ৱাহন্থোক্কা খেন্নবা লৈবদগী, পোলিটিকেল কন্সিয়সতা কন্ট্রাদিক্সন অচৌবা অমা লৈবগী খুদমনি। সোভিয়েটকী পোলিটিকেল ইমাজিনেসনদা ফুরুপ অমগী নীংতম্বা হায়বা শক্তম অমা লৈখিববু হিন্দুষ্টানগী পোলিটিকেল ইমাজিনেসনদা ঙমদ্রি। মদুগী মরম অমদি, সোভিয়েটকী মীওইবগী নীংতম্বগী য়ুম্ফমদা ঈহৌ শাগৎপা অদুগী তাইওন্নবদা, বৃটিশকী লোয়লম লৈঙাক অদু হিন্দুষ্টানগী লোয়লম লৈঙাক অমদা ট্রান্সফর ওফ পাৱর তৌদুনা শীন্নরম্মী। **মথং মথং...**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Ref :- Mut. Case No. 539 of 2020

App:- Khaigoulum Touthong S/o Lhunkhomang Touthang of S. Munnamyang Village.
Opp:- 1) (Late) Yanghou Kuki S/o (L) Hemkhukhai of Kekrupokpi. 2) (Late) Yamkhose Kuki S/o (L) Semjit of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated 8th October, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী খুন নং ৯৪- সেরৌ পাট্টা নং ৪৪০, দাগ নং ৪১০৭, এরিয়া ১.৪৫ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমীংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

HL-P/6448/10 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 407/AS&SO/TBL, dt: 28-09-2020

(1) Thingujam Bedrajeet Singh S/o Kaoba Singh of Kiyam Makha Leikai. (2) -do- Sorojini Devi W/o Kaoba Singh of -do- (3) Ajitkumar Singh S/o Mera Singh of -do- (4) -do- Romita Devi W/o Ajitkumar Singh of -do- (5) -do- Amarjit Singh S/o ..... (6) -do- Indira Devi W/o Amarjit Singh of -do- (7) -do- Surjit Singh S/o Mera Singh of -do- (8) -do- Leiren Devi W/o Mera Singh of -do- *...Applicants*

-Vs-

(Late) (1) Sagolsem (N) Thingujam (O) Keinahal Devi W/o Gulamjat Singh of Kiyam (2) Thingujam Gulamjat Singh S/o Mohon Singh of -do- *...Opp.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 08/10/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২- কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ৫৫৩ (অরিবা), ১০৮ (অনৌবা), দাগ নং ১৪০৭, এরিয়া ০.১৩১১ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার অনী অসি মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদার অনীগী মমিং কল্লগা দংকারিশিংগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/7710/10

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 406/AS&SO/TBL, dt: 28-09-2020

(1) Thingujam Bimola Devi W/o Nimaichand Singh of Kiyam Makha Leikai. (2) -do- Arjun Singh S/o Manibabu Singh of -do- *...Applicants*

-Vs-

(Late) Thingujam Ningthourel Singh S/o (L) Bheigia Singh of Kiyam *...Opp.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 08/10/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২- কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ২৭৭, ১২৯, ৩০০, ৯৮ (অরিবা), ২৯৩ (অনৌবা), দাগ নং ১৩৯১, এরিয়া ০.০৭৬৯ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো: নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মমৌ অমসুং মশুনুপা মখোয় অনীগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/7710/10